## পাইলোট য়াওদবা এয়রক্রাফটকুম্বনি

দেরাদুন্দ, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : উটরখন্দদা হৌজিক হৌজিক কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ অসি পাইলোট য়াওদবা এয়রক্রাফটকুম্বনি হায়না বি জে পিনা করেম্নখিবগা লোয়ননা ওপোজিসন পার্টিদা লৈরিবা রিজনেল লিদরশিংনা লন্বী খঙদ্রবা এয়রক্রাফট অসিদা তোংদুনা মমায় চুন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

উটরখন্দ বি জে পিগী মিদিয়া ইনচার্জ মনভির চৌহাননা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসনা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা সেরিয়স ওইবা ইসু অমত্তা পুখৎলকপা লৈত্রি। মীয়ামগীদমক করি চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎকদগে হায়বগী মওংদা কোংগ্রেসনা ঙসি ফাওবদা খল্লক্তবনা মরম ওইরগা পার্টি অসিদা মীয়াম্না লৈরম্বা থাজবা অদু মাঙখ্রে। মীয়ামগী থাজবা অদু অমুক হন্না ফংনবনি হায়দুনা কোংগ্রেস এম পি রাহুল গান্ধীনা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ চৎলি। মসি উবদা নোক্লিংবা ফাওই। মীয়ামগী থাজবা ফংগে হায়রবদি মীয়ামগীদমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌগদবনি। বি জে পিনা ঙসি মপাঙ্গল কা হেন্না কনখৎলক্লিবা অসি মীয়ামগীদমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবননি হায়রি।

# ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা অকায়বা পীগনি হায়না কিহল্লকখিবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি



জয়পুর, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা অকায়বা পীগনি হায়না গুরজার আউটফিট অমনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা খোঙচৎ অসি কনাগুম্বা অমত্তনা মায়থিবা পীবা ঙম্লোই হায়রি।

গুরজার আউটফিট অমনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোংগ্রেস লুচিংবা সচিন পাইলোটপু রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর ওইহনগদবনি হায়দুনা দিমান্দ তৌরকখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা মীয়ামদা পীখিবা থাজবশিং থবক অমত্তা ওইনা ওন্থোক্তে হায়না অশাওবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মথং থাগী ৩ দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা রাজস্থানদা থুংলবা য়াই পানরিবা খোঙচৎ অদুবু অকায়বা পীগনি হায়না কিহল্লকখিবনি। গুরজার অরক্ষন সঙ্গর সমিটিগী লুচিংবা বিজয় সিংহ বাইনসলানা মখোয়গী দিমান্দ পীদ্রবদি রাহুল গান্ধীগী ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎতা অকায়বা পীগনি হায়না কিহল্লকখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস লুচিংবা সচিন পাইলোটনা ৱাফম অসিদগী মহাক মশাবু লাপ্না থল্লগা থৌদোক অসি বি জে পিনা অতম্মনা প্লান তৌরগা চত্থখিবা থৌওংনি হায়না মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা বি জে পিনা কন্না হোৎনরবসু ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ শোয়দনা মায় পাক্কনি। খোঙচৎ অসিনা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎহল্লগনি। রাজস্থানদা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ য়ৌরকপা মতমদা ঐখোয় খুদিংমক্না তরাম্না ওক্কনি। খোঙচৎ অসি লৈবাক অসিগী পুৱারী ওইনা লৈহৌরগদবা খোঙচৎ অমনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কম্যুনিটি খুদিংমক্কী মীওইশিংনা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক শেম শাদুনা লৈ। রাজস্থান য়ৌরকপদা খোঙচৎ অসিগী অনৌবা মশক অমা মীয়াম্না শোয়দনা উবা ফংগনি। খোঙচৎ অসিনা কোংগ্রেসকী মপাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎহনবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা থা খরা অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলশিংদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, বিজয় সিংহনা গুরজারগী লুচিংবা অমবু চীফ মিনিষ্টর ওইহনগনি হায়বগীদমক কোংগ্রেসতা পৱার শীন্নখিবনি। অদুবু মদু কোংগ্রেসনা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী রাহুল গান্ধীগী খোঙচৎতা অথিংবা পীনবা ফীরেপ লৌখিবনি হায়রি।

# ঐ শিখ্রবসু লৌমীশিংনা দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনগদবনিঃ লৌমী লুচিংবা



চান্দিগর, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তৌরদুনা হৌজিক হৌজিক চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা ভারতি কিষান য়ুনিয়ন (এক্টা সিধুপুর) কী প্রসিদেন্ট জগজিট সিংহ দলেৱালনা ফোঙদোকখিবদা চারা হেনবগী খোঙজং অসিদা মহাক লৈখিদবা থোক্লবসু লৌমীশিংনা ঐখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা য়াম্না ইং তপ্পা মওংদা খোঙজং চঙশিনখিগদবনি হায়রি।

পঞ্জাবকী ফরিদকোটতা চারা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লিবা দলেৱালনা ফোঙদোকখিবদা লৌমীশিংনা হান্নদগী হৌনা দিমান্দ কয়া তৌদুনা লাক্লবসু মরী লৈনবা লৈঙাকশিংনা ঙসি ফাওবদা পীথোক্তনা লাক্লি। নেসনল হায়ৱে প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলকপদা লৌমীশিংদগী লৈঙাক্না লম লৌশিল্লি। অদুবু লৌমীশিংদা পীরিবা কম্পেন্সেসন অসিদি মতিক চাদে। মরম অদুনা লমগী কম্পেন্সেসন হেনগৎহনবীয়ু, নোংজু নুংশাগী ফীভম ফত্তবা অমদি তীন-কাঙনা মরম ওইরগা লৌফমশিং মাঙহন তাকহল্লকপা মতমদা লৈঙাক্না কম্পেন্সেসন পীবীগদবনি অমদি চরু মৈ থাবগীদমক ফাইন চাওনা লৌরিবা অসি তোক্কদবনি হায়বনচিংবা দিমান্দশিং তৌদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবদা লৌমীশিংনা ইংনা তপ্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি লৈঙাক্না থৌওইনা লৌদ্রি। হৌজিক মহাক্কী হকচাংগী অরুম্বা হন্থরক্লে, ব্লদ প্রেসরদা অহোংবা লাক্লে অমদি ব্লদ সুগর লেভেলসু হন্থরক্লে। মসি ওইদুনসু মহাক্কী খোঙজং হন্দোকপা তৌরোই। লৌমীশিংনসু মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদা লৌমীশিংগী ফংফম থোকপা রাইট মপুং ফানা ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনবা লেপলোয়দবনি হায়রি।

অমরোমদা, পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ভগৱন্ট মাননা ষ্টেট অদুগী লৌমীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা পঞ্জাবকী লন্বীশিং য়াম্না তোয়না থিংজিনবগী থৌওংশিং থোকহল্লি। মসি অরানবা খোঙথাংনি হায়না হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা অদুবুসু দলিৱাননা পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংবু ইকায়বা পীবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়রি।

## কোংগ্রেস মোদেলগী ৱাহন্থোক্তি করপসন অমসুং নেপোটিজমনি

মেসানা, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : কোংগ্রেস মোদেলগী অশেংবা ৱাহন্থোক্তি করপসন অমসুং নেপোটিজম হায়বনি। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা গুজরাট ষ্টেট অমদি লৈবাক অসিবু চাওখৎ মনিং হনহলবরোমদা ওইনা মিৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরম্বদগী ইন্দিয়ানা মতম কুইনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবা ঙমদনা লাকখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোরক্লি।

মেসানাদা ঙসি পাঙথোকখিবা গুজরাট মীখলগা মরী লৈননা মীয়ামগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা ঙসি ফাওবদা ঐগী মীগী হায়বা ৱাখল্লোনদা থবক তৌদ্রি। অমদি অতোপ্পশিংবু হন্থনা য়েংবা লৈতে। কোংগ্রেসকী মতমদা ঐগী মীগী হায়না খায়দোক্তুনা শেঞ্জা থুমজাগী থবক পাক্তক্লনা চত্থখিবগা লোয়ননা অমনা অমবু হন্থনা য়েংবগী চৎনবী লৈরম্মী। লৈবাক অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ঙসিদি মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমা ওইরে। হান্ননা অতোপ্পা লৈবাক্তগী পোথোক কয়া লৈরমখিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা হৌজিক্তি লৈবাক অসিনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা পোথোক কয়া য়োনবা ঙম্লে হায়রি।

## অতোম্বী ওইয়ু হায়বদা য়াদে হায়বগীদমক নুপী অমা হাংখ্রে

চান্দিগর, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : হান্নদগী হৌনা নুপী অঙাং লৈরবা মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবা নুপা অমনা মশাগী চহী ১৮ লোম শুরবী নুপী অমবু মহাক্কী নুপী অতোম্বী ওইয়ু য়াদে হায়বগীদমক হাংখ্রে হায়রি। অমরোমদা, থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অসিগী মমিং মুহমদ শরিক কৌই। মহাক্না লৈরিবা য়ুম অদুগী মনাক নক্না ভিক্টিম নুপীমচা অসিগী ইমুং মনুং অশানবা কা অমদা লৈবনি। মুহমদ শরিকনা মহাক মশা ময়ুম মকৈ পান্দ্রিবা মীওই শাদুনা ভিক্টিম অসিগা খঙনবা হৌরকখি। মতম খরা লৈরগা মহাক্না ভিক্টিম নুপী অদুদা লুহোংনবা হৌদোকখি। লুহোংবগী ৱাফম য়ৌশিল্লক্লবদা ভিক্টিম অদুনা শরিককী মতাংদা থিগৎলুবদা মহাক হান্না ময়ুম মকৈ পান্দুনা নুপী লৈরবা নুপানি হায়বা খঙলকপদগী শরিকনা পাউ ফাওনদনবা হোৎনখি অমদি লাপথোকপা হৌরকখি।

অমরোমদা, এক্যুস ওইরিবা শরিকনা মহাক ময়ুম পাল্লবসু অকায়বা লৈতে। মহাক্কী নুপী অতোম্বী ওইয়ু হায়দুনা কন্না তকশিল্লকখি। অদুম ওইনমক নুপী অদুনা য়াখিদবদগী থা অসিগী ১৯ দা মহাক্না নুপী অদুবু হাৎখিবনি হায়রি। মহাক ঙসি সেক্টর-৪৩ বস ষ্টেন্দদগী ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

# ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট ওইনবগীদমক মীরেপ চে পীশিনখিবা বি জে পিগী মেম্বর ১২ সস্পেন্দ তৌখ্রে



অহমদবাদ, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : মথং থাগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা পার্টিগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক তৌই হায়বগীদমক গুজরাট বি জে পিগী লুচিংবা ১২ পার্টি অসিদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা মেম্বর ১২ অদুগী মনুংদা টর্ম ৬ লক এম এল এ ওইনা মায় পাক্লুনা লাকখ্রবা মধু স্রিভাস্তবসু য়াওরি। অহানবা ফেজকী ওইনা মথং থাগী ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইনবগীদমক বি জে পিনা মখোয়গী মীরেপশিং লাউথোরকখিবা অদুদা হায়রিবা মেম্বরশিং অসি য়াওরকখিবদবনি। মদুগী মতুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা ইলেক্সন থেংননবগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌরমখি। থৌওং অদুবু বি জে পিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়বগীদমক মখোয় ১২ বু সস্পেন্দ তৌখিবনি। পনবা য়াবদি, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু বি জে পিনা মখোয়গী মেম্বর ৭ সস্পেন্দ তৌখিবা লৈরে।

# এ এ পিগী এম পি রাঘব চাদানা বি জে পি হুন্দুনা ঙাংখ্রে



অহমদবাদ, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : গুজরাটতা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা শেঞ্জা থুমজা চাওনা চত্থরি অমদি মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদসু মায় পাক্লবগীদমক য়াম্লবা শেনফম কয়া থাদনবগীদমক শেম শাদুনা লৈরে হায়বগী পাউ ফংলে। অদুম ওইনমক হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা বি জে পি চাওনা মায়থিবা নঙলগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মতম অমদা হিন্দি সিনেমাদা মমিং য়াম্না চৎখিবা সোলে কৌবা ফিল্ম অমদা কপ্লিবা মচা থেম্নবা হোৎনবদা মমা অমনা মচা অদুদা তুম্লো অঙাং নত্রবদি গবর লাক্লগনি হায়খিবা অদুগা চপ মান্ননা গুজরাটকী ওইনসু করপসন তৌরিবা মীওইশিংদা মীয়াম্না শেঞ্জা থুমজাগী থবক তোক্লে নত্রবদি আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল লাক্লগনি হায়না ঙাংনবা লৈরে।

আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল লৈবাক অসিদা চত্থরিবা শেঞ্জা থুমজাগী থবক থৌওংশিং অমদি পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা অসি থিংনবগীদমক পোক্লকখিবা মীয়ামগী লুচিংবা অমনি। গুজরাটকী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদসু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না আর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা থাজবা থমদুনা এ এ পিদা পৱার শোয়দনা শীন্নরক্লগনি হায়রি।

# কোভিদকী অনৌবা কেস ১৪০৪ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৪০৪ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৫ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৪০৪ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭১,১১৯ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৭০৯০ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ৫ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৫৯৬ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি।

# মীপুম খুদিংমক্না মখোয়গী মমিং ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওহনগদবনি

কোলকাটা, নবেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈরিবা মীয়াম্না দিটেন্সন কেম্পদা লৈনিংদ্রবদি ষ্টেট ইলেক্টোরেল রোলদা মখোয়গী মমিং য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ভোটর লিষ্টতা মমিং য়াওরমদ্রবদি এন আর সীগী মীংদা মীওইশিং অদুবু দিটেন্সন কেম্পদা থাজিনগনি হায়রি।

মীয়ামদা লৈঙাক্না লমগী পাট্টা য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রেলৱে অমসুং এয়রপোর্ট ওথোরিটিশিংনা বেঙ্গলগী লমশিং নমফুদা লৌশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি য়াম্না ইকায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি। বেঙ্গলদা রেলৱে অমসুং এয়রপোর্ট ওথোরিটিশিংনা লম লৌশিনগে হায়রবদি লম মপুশিংগী কম্পেন্সেসন অমদি মখোয়গী লৈফম হান্না শীনগদবনি। মদু নত্রবদি বেঙ্গলদা মখল অমত্তগী ইভিক্সন তৌবা য়ারোই হায়রি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015(Pt)/2358 Dated, the 23rd Nov. 2022**

Hajibi Nganbi W/o (L) Md. Haji Rashid Ahamad Kh. (@ Md. Rasid Ahamad) of Lilong Haoreibi Makha Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Lilong the 23rd Nov. 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Hajibi Nganbi W/o (L) Md. Haji Rashid Ahamad Kh. (@ Md. Rasid Ahamad) of Lilong Haoreibi Makha Leikai, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong
HL-P/4699/24

**IN THE COURT OF**
**ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER,**
**X Manipur**

**Ref :- Mut. Case No. 276/AS&SO X Dated: 22/11/2022**
1) Khaidem Angouba Singh S/o (L) Tomba Singh of Luwangsangbam.
2) Khaidem Sekendro Singh S/o (L) Tomba Singh of Luwangsangbam. -Petitioners
-Vs-
(L) Khaidem Tomba Singh S/o (L) Ningthoujao Singh of Luwangsangbam. -OP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Imphal 23/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 1-Luwangsangbam পাট্টা নং. 47 (Ang) অরিবা 6/547 অনৌবা দাগ নং. 1125 এরিয়া .16 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Khaidem Tomba Singh S/o (L) Ningthoujao Singh of Luwangsangbam মৃত্ব: ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি / দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 1/12/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্টসন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
X Manipur
HL-P/4698/24

**IN THE COURT OF**
**ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER,**
**X Manipur**

**Ref :- Mut. Case No. 273/AS&SO X Dated: 22/11/2022**
Lairenlakpam Bikramjit Singh S/o (L) Ibobi Singh of Luwangsangbam. -Petitioner
-Vs-
(L) Lairenlakpam Ibobi Singh S/o (L) Chaoba Singh of Luwangsangbam. -OP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Imphal 23/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 1-Luwangsangbam পাট্টা নং. 15, 166/Angh অরিবা 271, 272/465 অনৌবা দাগ নং. 1385/1561, 226 এরিয়া .99 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Lairenlakpam Ibobi Singh S/o (L) Chaoba Singh of Luwangsangbam মৃত্ব: ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি / দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 1/12/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্টসন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
X Manipur
HL-P/4698/24

**IN THE COURT OF DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR**

ꯑꯣ.ꯑꯦꯁ.(ꯁꯛꯁꯦꯁꯟ)/**O.S (Succession) No. 15 of 2022**

Smt. Meenakshi Chanambam -Applicant/Petitioner
-Versus-
Shri Hitendra Chanambam -O.P/Respondent

To
**All the Interested Persons.**

WHEREAS, the Applicant/Petitioner above named have filed an application cited above U/S 372 of the India Succession Act, 1925 before this Hon'ble Court for grant of Succession Certificate on SBI Saving Account No. 31585216388 M.G Avenue, Imphal of the deceased namely (L) Chanambam Ongbi Shanti Devi.

NOTICE is hereby given to you and to all the interested persons to appear before this Court on 06/12/2022 at 10.30 a.m. in person or by a pleader duly authorised who is able to answer the claims of the plaintiff and to file written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the date and time aforementioned, the case will be proceeded in your absence according to law.

Sealed and Signed by the order of this Court, this 23rd day of November, 2022.

By:- Kh. Radhesana
Advocate

**By order, etc.**
**Kh. Bhubon Singh,**
**Sr. Sheristadar**
**District and Sessions Court**
**Imphal West, Manipur.**
HL-P/5038/24

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,**
**IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 505/SDC/W(N) Sekmai of 2022.**
Khwairakpam Tiken Singh S/o (L) Kh. Komol Singh of Awang Sekmai Khunou Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Khwairakpam Ongbi Padama Devi W/o (L) Komol Singh of Awang Sekmai. -Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sekmai, the 23/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West (N) Sekmai Village No. 30-Sekmai Under Patta No. 251 (Old) 675/1851 (New) Covered by c.s. Dag No. 1235/1428 গী area .625 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চত্থজখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/5043/24

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,**
**IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 503/SDC/W(N) Sekmai of 2022.**
Khwairakpam Tiken Singh S/o (L) Kh. Komol Singh of Awang Sekmai Khunou Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Khwairakpam Padama Devi W/o (L) Komol Singh of Awang Sekmai Khunou Leikai. -Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sekmai, the 23/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West (North) Sekmai Tashil Village No. 30-Sekmai Under Patta No. 747 (Old) 309/931 (New) Covered by c.s. Dag No. 3017 গী area .68000 acres চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চত্থজখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/5043/24

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,**
**IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 504/SDC/W(N) Sekmai of 2022.**
Khwairakpam Tiken Singh S/o (L) Kh. Komol Singh of Awang Sekmai Khunou Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Khwairakpam Ongbi Padama Devi W/o (L) Kh. Komol Singh of Awang Sekmai. -Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Sekmai, the 23/11/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West (N) Sekmai Village No. 30-Sekmai Under Patta No. 326 (Old) 241/1412 (New) Covered by c.s. Dag No. 2317 গী area .24000 acres চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চত্থজখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/5043/24

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR**

**Ref :- 9/SDO/LIL/Cert/2015(Pt)/2343 Dated, the 18th Nov. 2022**

Mumtaz W/o (L) Md. Basir Ahamad of Lilong Heinoumakhong.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Lilong the 23rd Nov. 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Mumtaz W/o (L) Md. Basir Ahamad of Lilong Heinoumakhong, P.O. & P.S. - Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong
HL-P/4699/24